# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনরমদবা অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী ফাওনরে, খৌপুম তম্পাক্কী ঈচাগী ফিভম খরা ফগৎলে হায়রি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম অমসুং তমেংলোং জিলাগী তাৎবুং খুল অনিগী লোন্নবা মফমদগী য়াম্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎহনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

------

লম্বী (এল)ঃ চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনরমদবা অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়ারে। অদুমওইনমক, মরক মরক্তা হৌজিক চীং নীংখায়বগী থৌদোক থোকপনা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা খরা থোক্লি হায়রি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- জিলা অসিগী লুৱাংচুম অমসুং রাংখুং খুলগী মরক্তা চীং নীংখায়রকপদগী হাইৱে অসি চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদনা লৈরকপনি। লম্বী অসিবু শেল্লিবা এ.বি.সি.আই কম্পনিনা ঙরাং নুমিদাং লেপপুনা কন্না হোৎনবদগী লম্বী থিংলম্বা অদু লৌথোকখ্রে। লম্বীগী নাক য়েৎতা

পনদুনা লৈরম্বা গাড়িশিং চৎনবা হৌখি। নৌনা অমুক চীং নীংখায়রকপদগী চৎথোক চৎশিনদা অপনবা লৈরবসু শেংদোকপগী থবক চথরি।

মরক অসিদা নোনে জিলাগী খৌপুম তম্পাক্তা ঙরাং ঈচাউ থোকখিবা অদু ঙসি খরা শাফরে হায়রি। ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- মফম অদুদা এম.এল.এ দিনগাংলুং গাংমৈ লৈদুনা হকথেংননা য়েংশিল্লি। ঈশিং ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরিবশিংগীদমক ঙসি জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা চত্তুনা য়েংশিনগনি।

পুলিস (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সা ঙাক শেন্নবা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থি হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ঙরাং জিরিবাম জিলাগী লৈঙাংপোকপী খুল অমসুং তমেংলোং জিলাগী তাৎবুং খুল অনিগী লোন্নবা মফমদগী মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল মঙা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩৯, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৫, রবর বুল্লেট ৭৬, ৱাক্কি তোক্কি অমা, বুল্লেট প্রুফ জেকেট অনি, নোংমৈ মরুগী তোকিং অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফংলে হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়- অককবা পাউগী মতুংইন্না মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা অমসুং হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ঙরাং থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোংজোম পাপলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা চহি নৌরিবা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। মহাক থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা মীয়ামদগী শেল খায়বা অমসুং লুপ অসিগী মীওই রিক্রুট তৌবদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেনাপতি জিলাগী টি. খুল্লেলদা লৈবা চ্যেক পোইন্টতগী মীওই অমা ফাখি। মঙোনদগী পেকেট ১৫০ দা হাপ্লম্বা লুপা লাখ ২৪ রোমগী মমল ওইগদবা

দব্লিউ.ৱাই টের্লেৎনি চিংনবা লিশিং ২৯,৯৭৪, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমদি অতৈ চে চাং কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা আইন কায়না অমসুং নিয়াম লান্না গাড়ি থৌবশিং ফাবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইবগীদমক গাড়ি ১১ ফাগৎখি অমসুং গাড়ি ২৪ দা নপ্লম্বা তিনতেদ ফিলমশিং লৌথোকখি।

রাজ ভবন (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা জেলগী ইনফ্রাষ্টকচর অমসুং চলাইবগী মওং মতৌশিংগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা চীফ সেক্রেতরি, দি.জি.পি, দাইরেক্তর জেনেরেল (প্রিজন), ইন্সপেক্তর জেনেরেল (প্রিজন) অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। জেলশিং চলাইবগী থবক থৌরম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা থবক পায়খৎনবগী মতাংদা রাজ্যপালদা কুপা পাউদমখি হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্যপালনা সভাপতি ওইদুনা মণিপুর প্রোজেক্টস কো-ওর্দিনেসন পোর্তেলগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা প্লান্নিং বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

হার (এল)ঃ রাজ্যগী এগ্রিকলচর বিভাগনা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হার য়েন্থোকপগী থবক চত্থরি। ঙসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই কোইজেন লৈমা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৱাউরৌ মনিং লম্পাক, ককচিং জিলাগী ক্বাক্তা বজার, অমসুং থৌবাল জিলাগী হৈরোক নোংপোক সোকমাইদা য়েন্থোক্কনি। হার য়েন্থোকপগী থবক থা অসিগী ৩১ ফাওবা চত্থগনি হায়না এগ্রিকলচর বিভাগকী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। লৌমীশিংনা হার অসি আধার অমসুং লমগী পত্তা উৎলগা লৌবা য়াগনি। লৌমীশিংনা হার অসি জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসারগী ওফিসতগীসু লৌবা য়াগনি।

লৌমীশিংনা হারগী দরকার ওইবা মতুংইন্না বিভাগ অসিনা অখন্নবা হার য়েনবগী থবকশিং চথ্নগনি হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক ঙরাং থৌবাল জিলাগী আই.সি.দি.এস হোলদা পাঙথোকখ্রে।

আই.সি.দি.এস সেল থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসারনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লিবা মমা অমসুং মচাশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাংগী শরুক অমনি। থৌরাং অসিনা মীরোনবী নুপী অমসুং চাজেনবী নুপীশিংবু স্কিম অসিগী মখাদা য়ারিবা মখৈ মীং চনদুনা শেলগী তেংবাং ফংনবনি। হায়রিবা খোঙজং অসি থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথ্নগনি।

প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক ঙরাং শুগনু বজার অমসুং ককচিং খুনৌদসু পাঙথোকখি। আই.সি.দি.এস সেল ককচিংনা শিনবা থৌরম অসি জিলা অসিগী মফম কয়াদা থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথ্নগনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎহনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি। মহাকা হায়- প্রাইম মিনিষ্টর ধন ধন্যা কৃশি য়োজনা অসিসু সরকারনা পায়খৎলিবা মরুওইবা থৌরাংশিংগী মনুংদা অমনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- থৌরাং অসিনা লৌউ শিংউগী লমদা শোথরিবা মফমশিংদা পোথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহবতা নত্তনা লৌমীশিংগী শেল থুম অমসুং পুন্সি মহিংদা হেন্না ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী পোথোক হেন্না পুথোকবা পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্ট ধন ধন্যা কৃশি য়োজনা অয়াবা পীখিবনি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী জিলা ১০০ খনগৎকনি। মহাকা হায়- স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ১ লাখ ৭০ হেনবদা কান্নবা পীরগনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা ৯ শুবা স্বাচ সরভেক্সন ২০২৪-২৫ গী মনা য়েন্থোক্কনি। থৌরম অদুদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সহরশিংনা লু-নান্না লৈনবা হোৎনরিবশিং অদুবু শকখঙবা ওইনা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। মসিনা স্বাচ ভারত মিসন অরবান মাঙলোমদা চংশিনবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মনা অসি তোঙান তোঙানবা কেটগোরি মরি খায়দোক্তুনা পীগনি। মনাশিং অদু- সুপর স্বাচলিগ সিতি অমসুং তোঙান তোঙানবা মী তাবগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লু-নানবা সহর অহুমদা পীগনি।

কেন্দ্রগী হাউজিং এন্দ অরবান এফ্যারস মন্ত্রালয়না হন্দক্কী অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী মনা ৭৮ খুৎশিন্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা দোলাইথাবীদা মশাগী ময়ুমদা চংনবা হোৎনবদা সেকুর্যিরিতি ফোর্সকা মুকখিবা, পোপুলর গভর্নমেন্ট শেন্থা ঙমদ্রবদি এসেমব্লি দিজোল্ব তৌরো হায়না এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি চীফ সেক্রেতরি পি.কে. সিংহ শিন্দোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- লৈঙাকা অককবা মতম খঙহনবা ঙমদবদগী ইকৌগী আই.দি.পি খরা নারোনদা মশাগী ময়ুমদা তুরেল লান্থোক্তুনা চংশিল্লুরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তনা- সেকুারিতি ফোর্সকা মুকখ্রে, থা অনিগী মনুংদা হঞ্জিনহান্নবা দি.সিনা থাজবা পীখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা থৱায় থাবা কিদনা দোলাইথাবী ডামদা ইনমেটশিংনা ইরোইদুনা ময়ুম য়ৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- পি.আর মখা তানা শাংথরগদি মীখল পাঙথোক্লগা অনৌবা মীহুৎশিং ওইনা খল্লু- বিমোল অকোইজম হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা- খৌপুম ডাম পাথোরক্তুনা য়ুমসু, লৌবুকসু থুমজিনখ্রে, অকনবা নোংজ্না চীং নীংখায়বদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীসু, ওল্ড কছার রোডসু ফাওনবা য়াদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- পি.কে. গোয়লনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরি ওইরগনি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রুল লৈঙাক্কী অনৌবা মায়থোঙ পি.আর শাংদোকহন্নবগীদমক অনৌবা চীফ সেক্রেতরি খল্লকপ্রা নত্রগা পি.কে. সিংহগী চৌক্রি নোমখিবা য়াওব্রা হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- মণিপুরদা ওতোমেতেদ টেষ্টিং সেন্তর লিংখৎনবা য়ান্ন-চেরোল অমা সহি তৌনখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- মণিপুরদা মীকোক থীবা অমসুং জেলশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক মতাংদা গভর্নরগা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- নোং লেপ্তুনা চুবদগী নোনে জিলাগী মফম কয়াদা ঈচাউ থোকহল্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তেরামখোঙ ভিলেজদা ওতোমেতেদ ভেহিকল টেষ্টিং সেন্তর লিংখৎনবা ত্রাইপরতাইদ এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------